# ‘চীংজুমগী লাইজ কংখিদবা ওইসনু’

- উশম ধরমেন্দ্র -

ইরমদমসিদা অঙৈং অশা, নোংজু নুংশাগী চাং কায়রে হায়না অখণ্ড অহৈশিংনা হায়নরক্লি। শাবা মতমদনা খংশা শারে, ঈংবা মতমদনা কা হেন্না ঈংলে। নোং চুগদবা মতমদা য়াম্না ৱাৎনা চুরে। পূন্নমকসি মপূং ওইনা উমং-ৱামং পাক শন্না কোকথোক্লকপদগী মহৌশাগী খলদা অকায়বা পীরকপদগীনি। হৌজিক জন্যুৱারী থা লোইশিল্লকপদা ঙাইরি। ঈশিংগী অৱাবা খম থেংলে। তম্পাক্কী মরু ওইবা তুরেলশিং ঈরিল, ইম্ফাল, কোংবনচিংবগী ঈচেলশিং কংশিল্লক্লি। লৈঙাক্লা মীয়ামদা পীবা টোটি ঈশিং পীবা ঙমশিল্লক্ত্রে, অৱাবনি। ঈশিংনা থৱায়নি। ঈশিং হায়বসি মী অমগী নুংতি নুমিৎ খুদিংগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎশক অমনি। মহৌশাদি নিংথমথা মতমসি নোং চুদ্রবসু চীংদা হৌবা উপাল-ৱাপালশিংনা নোংজু থা মতমদা চুপশিনখিবা ঈশিংগী শরুকশিং অদুনা তপ্না তপ্না থাদোরক্তুনা মদুগী চীংজুমগী লাইজ ঈশিং অদুনা তুরেল খোংনুংশিংদা চিথরক্তুনা তুরেলগী ঈচেলশিং কংহন্দে। মদুনা মরম ওইদুনা মীওইবদা ঈশিংগী অৱাবা লৈহন্দে। পূন্নমকসি হৌজিক্তি তাইওন্নরে।

মীয়াম পূন্নমক্না খঙলে মদুদি মণিপুরগী অনকপা অমসুং অরাপ্পা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা য়াওনা চীংগী লমশিংদা উমং ৱামং কোকথোক্তুনা পাক শন্না পোপি পান্বী থারে হায়বসি। পোপী পান্বী মণিপুরগী চীংগী মফমশিংদা থাবসি চাউরাক্না চহী কুনলোম শুরে হায়না পানরি। পোপী পান্বীদগী মখল কয়াগী দ্রগশিং শুংই। দ্রগশিং অদু শেঞ্জাও পায়বশিংনা করবার চাউনা চাউনা তৌদুনা শেঞ্জাও কয়া তানশিল্লি। মদুগী ওন্ন-তৈনবা মায়কৈ অমদনা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়া দ্রগপু লান্না শীজিন্নখিদুনা মমল য়াল্লবা পুন্সি খাঙুথক্তা পিখন্নহল্লি। দ্রগনা অসুক্কী মতিক শোকহল্লবা ইরমদম অমা হায়বদু ওইরে। লমদমসিদা চহী নিফুরোমগী মমাঙদগী হিরোইন নম্বর ফোরনা খোঙদারকঙৈদগী মমা মপা কয়াগী নুংশিরবা মচাশিং, নুপীজা ওইবী কয়াগী চান্নজবশিং, মপুরোইবশিং মশীং থিঙমদনা ফৎত্রবা দ্রগ অসিগী লাংদা থুদুনা অমদি মমৈদা তমথীবা লায়নানা নাদুনা মাঙহনবীখ্রে। মদুগী অৱা চৈথেংনা হিংহৌরিবা মচাশিং, মখোয়গী নুপীশিং অমদি অহল ওইরক্লবা মমা মপাশিংনা পুহৌরি।

মণিপুরদা ফৎত্রবা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং নোংমতা কাংদনা ফাবগী পাউ তানরি। পুশিল্লকপসু লেপ্তুরি। হন্দক্তসু পুলিসনা পুলিসপু দ্রগ পুশিল্লকপগী ফাবগী থৌদোক থোকখি। নুংঙাইরিবা ইরমদমনি। তাহৈ উহৈদবা ঙাক্তনি লমদমসিদা তারিবা, উরিবা। দ্রগকী করবার য়াম্না তোংবা করবারনি হায়বসি মীয়াম্না হায়নরি অমুক অনীরক ফাখ্রবসু ‘মিসন সক্সেস’ ওইবা মতমদদি মাঙখিবা পূন্বা হঞ্জিল্লি। মরম অদুনা অরৈবা পান্বে শীজিন্নদুনা দ্রগ করবার তৌনরিবনি। মমাঙঙৈদা মপান্দগীতা পুশিল্লক্লম্বদু হৌজিক্তি মণিপুরগী মফম কয়াদসু দ্রগ শুংফম ফেক্টরি কয়া লিংখৎনরল্লে। লমসিদা খুমাঙ য়াম্না চাওশিল্লে। অনৌবা মখলগী ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট, ব্রাউন সুগর, এন টেন, হিরোইন নম্বর ফোরনচিংবশিংসিনা পুরা পাক্তক্লনা লমদমসিগী নহাশিংদা লান্দাশিল্লকপগী থৌওংনি তৌরিবসি। অমুকসু ঐখোয়না নৈনবা য়াই চহী কুনলোমগী ময়াদগী মণিপুরগী চীংগী লমশিংদা পোপী পান্বীশিং থানরে হায়রি। মদুদা মতমদুগী লৈঙাক্লা করিগী য়েংশিনহৌদবনো হায়বসিনি। উনা উনা উশিন্নদনা লাকপদুনা শাথীবা ফীভমসি লাকপনি। হৌজিক্তি ইরমদমসি দ্রগনা পুরা শোকচিলহল্লক্লবা হায়বদু ওইরে।

মণিপুরগী লৈঙাক্লা পায়খৎলকখিবা খ্বাইদগী শীংথানীংঙাই ওইবা থবক অমনি ‘ৱার ওন দ্রগস’। নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্কী অহানবা টর্মদগী পায়খৎপা হৌরকখিবনি। ফনা য়াম্না মায় পাক্লা চঙশিল্লক্লি হায়বা তাই। মীওইবা হায়বসি থবক খরবু তৌরবদি করিগুম্বা মদুগী অফ-ফত্ত হায়নবা হায়বসিদি হৌনশানি। অদুবু মতমসিদা লুরিবসি কনাগুম্বা অমনা মীয়ামগী থবক অমা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তা পায়খৎলকপদা অফবদুদি শুংউ উবীদবা, উরবসু উশিন্নদবা, অশোয়বতা থিদুনা লৈবা মী কাঙলূপ অমসু লৈ হায়বসিনি। অফবা থবক্কী মীঙোন্দা থাগৎ ৱাহৈ অমফাওবা হায়নীংদবা নেগেটিভ ক্রিটিসিজমদা পীরগা পেঞ্জবা কাঙলূপকী মীওইশিং অসিসু অঙকপা মখলগী মীওইবা কাঙলূপনি। মসি লৈকায় খুদিংদা, খুল খুদিংদা অদুমক থেংনগনি। মণিপুরী খুন্নাইসিদদি য়েংশিনবীনবগী, তাথী ৱাহৈ হায়বীবগী ৱাসিদি করিদা হায়রুনি লৈকায়গী ক্লব অমগী সেক্রেটরি ওইদুনা মীয়ামগী থবক থম্মোয় শেংনা তৌজরিবা মীওইদু ফাওবদা থবক লৈতদুনা তৌরিবনি, শেল চারিবনি অসিনচিংবা কয়া হায়বীরি। অদুনদি ষ্টেট অমগী মিনিষ্টর, এম এল এ ওইবশিংদুদদি কয়া থীনা ঙাঙনরমগনি অদুম হায়নদ্রবসু ইখঙ খঙনরে হায়দুনি। মী অমনা তৌবা থবক্তা ফরগদি ফৈ অদুমক হায়বীবা, শোয়রগনা অসি তৌরবদি ফগনি তাকপীবা দরকার ওই। পিশুম অনী শমজিন্নরগা মিৎ শুক্তোক্তুনা মায়থোঙগী ফীভম কায়হন্দুনা মীঙোন্দা য়েংবগী মহুত্তা মোমোন নোক্তুনা য়েংবগী হৈনবীসু থম্বা ফৈ।

মথক্তসু পঞ্জখ্রে মণিপুরগী চীংগী মনুং হঞ্জিনবা-হঞ্জিন্দবা মফম কয়াদা পোপী পান্বী থারে। মদুদগী দ্রগ শুংলে হায়না। মশাগী নুংঙাইনবতা খনবা মীগী থৱায়বু শিঙম নাঙমদনা শিহল্লগা ইশানা নুংঙাইনা মোন্দুম মোন্তেক্তা য়াওল্লগা মথেল লুকোই চারগা ফংগদৌরিবা নুংঙাইবসিবু করম্বা মখলগী নুংঙাইবনো। ইশা ইশানা থাজবা ঈশ্বর অমদি লৈরমগনি দ্রগকী করবার চাউনা চাউনা তৌরিবা কাঙবুশিংসু। পাপ তৌরগা মীবু ৱাহল্লগা ফংগদৌরিবা মহয়সিবু করম্বা মহয়নো। পূন্নমকসিগী মথক্তা উমং ৱামং কোকথোকপদগী নোংজু থাদা লেন্দস্লাইদ, মদস্লাইদ থোক্লে। লম্বী চৎপা য়াদ্রে, মীশি মীনা থোক্লে। নিংথম থাদা তুরেলগী খোংনুং কংহল্লে। পূন্নমকসি উমং ৱামং কোকথোক্তুনা পোপী পান্বী থাবদগীনি।

খুন্নাইসিগী নহাশিংসু মাঙহনবা, মীয়াম পূন্নমকপুসু উমং ৱামং কোকথোক্তুনা মদুদগী ওইরকপা কয়ানা ৱাহন্দুনা লৈকংলা ওইনবা শিল্লক্লিবসিবু য়াম্না তমথীবা তৌহৈদবা থৌদৌ নত্তবরা? মতাংসিদা মীওই খরনা হায়রি, চীংগী প্রজাশিং হিংবদা য়াম্না ৱাই, হিংননবা থিরকপদা মতেং ওইনবা পোপী পান্বী থানবনি। মতাংসিদা হংবা য়াই, হিংনবগী লম্বীদি অৱাবা ঙাক্তনি। অৱাবশিংদুবু নমখায়রগা হিংবদুবু হিংবা কৌই। য়াম্না কোম্না ৱাদনা হিংনীংলবদি লীচৈনা শান্থবগী দরকারসু লাকই হায়নরক্লিবসিনি। কেশ ক্রোপ থারগা মীওই খুজোক খরদি নুংঙাইখিগনি। লেমহৌরিবশিংদি ৱাহৌগনি। ফুদ ক্রোপ থারগা মীপূম খুদিংমক নুংঙাইমিন্নগনি। ৱাত্ত-পাদ লৈহল্লোই।

মীওইবগী পুন্সি কনাসু ওমর নত্তে। কন থৌরবা রাজা মহারাজ কয়াগী ৱারী মখোয়গী মমিংতা তাবদা কিনরম্বা কয়া মতমগী ঈচেলনা পুদুনা চৎখি। তপ্না তপ্না কাউনখি। মল্লবা পুৱারীগী চেনাদা মখোয়গী ৱারী লৈকাং চুদুনা লৈহৌই। মখোয়গী মঙফমদা ইবা কন থৌবা মতিক মগুনগী ৱারী মতমগী নোংজু নুংশানা য়ৈবদা মচেৎ মচেৎ তানা কায়খি। অমুক কল্লবা নুংশিৎনা হুমদোক্তুনা পূন্নমক মাঙখি। হুরান লান্নাদা নত্তবা পান্বৈনা শেল তানশিন্দুনা অৱাং অৱাংবা বিল্ডিং মথোল মথোল শাগৎলিবশিংনদি মখোয় পোঙজরি শেল পায়রে হায়দুনা। চম্না হিংবা পামজবা মীচম প্রজাশিংনদি অদুমক খঙই। মশাগী ইনকমগা চান্নদনা শাগৎলিবা ফুরা দলান উরগা মখোয়না মীয়ামগী লন থুম কয়ামুক লুট তৌরবগে হায়বদু।

লোইশিল্লকপদা উমং ৱামং কোকথোকখিবদগী চীংজুমগী লাইজসু কংশিল্লক্লে। মীপূম খুদিংমক হা কার লাউনরে। অসুম্না সুম চথরবদি নুংশিরবী ইরমদম চহী খরগী মতুংদদি লৈকংলাগা পাংখক ওইরনি। লৈকংলাদা মীওইবা লৈবদা ৱাররনি। চীংজুমগী লাইজ তৎহনগুমসি। চীংজুমগী লাইজ ঈশিংগা ইরোয়ননা মচিন মনাও ওইবগী নুংশিনবগী ঈচেলসু তৎখ্রগদরা চিংনজৈ। চীংজুমগী লাইজ ঈশিংসু কংখিদবা ওইসনু। মচিন মনাওগী নুংশি মরীসু তৎখিদবা ওইসনু হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# ‘ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর ত্রেদ’

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতম প্রি ষ্টেট ১৯৭২গী মমাঙদা খুদম ওইনা ঙসিদগী চহী ৫০/৬০গী মমাঙদা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী মরু ওইবা অসি লম্বী অসি নাক য়েৎ অমসুং মনুং হঞ্জিনবা খুঙ্গং কয়াগী মীওইশিংনা চথোক চৎশিন তৌবনি। মসিগা লোয়ননা মতম অমগী অৱা, কবো, বর্ম্মা ঙসিনা ম্যান্মারগা মখোয়গী পোথোক অমদি মখোয়গী কৈথেল ফাওরগা লাকপা চাইনা, জপান, কোরিয়ানা অমসুং নোংপোক লমগী লৈবাক কয়াদগী পোথোক চাথোক, মহৈ-মরোং কয়াদু ম্যান্মার কৈথেল ফাওরগা লাকপদুনা লম্বী অসিদা পুশিল্লক্লগা মণিপুরগী মরু ওইবা কৈথেল কয়াদা য়োনবা, লৈবা অনীগী মার্কেটিংদুনি। মীনা মথৌ তাদবা, মীনা পামদবা পোৎ লৈনীংবা হৌনদে। মীনা পাম্বা পোৎ অদুগী য়োনবা অমসুং লৈবা তৌনবা মফমদুবুনি কৈথেল অমসুং ত্রেদ সেন্টর হায়দুনা মীয়াম্না থোমজিন্নরিবা অসি। লম্বী অসিদা শেঞ্জাও পায়বা কেপিটেলিষ্ট অমসুং দে-টু-দেগী হিংনবা শেন্দোং খরা তাঞ্জবা অনীগী মরক্তা তৌনবা অমদি ম্যান্মার অমসুং ইন্দিয়া অনীগী ত্রেদ অসি মতম অমগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা ঙসিদগী চহী কুনমুক্কী মমাঙদা হাংদোকপীরম্বনি।

আইন্না য়াবা পোৎ খরা পুদুনা চৎপা নুপা-নুপী কয়ানা পুন্সিগী হিংনবা লম্বী অমসু ওইরিবনি। মীওই খরনা মীনা মীগী ঈ থকপা, মী মাঙনবা, মীগী পুন্সিদগী মাগী-মাগী শেনে দাংনা হেন্না খন্দুনা থবক তৌবা মীওই কয়া য়াওরকপদগী ঙসিদি ইন্দো-ম্যান্মার লম্বী লল্লোন ইতিক তৌনরিবা অসিবু য়াম্না মশক থিহনবা অমা ওইনা মীয়াম্নসু উরি। মতমগী তৌবা ঙম্বা মতিক ময়াই লৈরবা কয়ানা শেল থুমগী অৱাবা মায়োক্লরবা, শেৎপা-চাবা মনীং থুংদ্রবা কয়াবু বলিগী হামেং ওইনা শীজিন্নদবসু নত্তে। ঙসিদি ইন্দিয়াগী অমসুং মালেমগী লৈমায়দা ময়াই কাবা চিঞ্জাক মখল কয়াগী মফম অমা ওইনা উহল্লিবা অসি লমদম অসিগী মীয়াম্বু অমুবা কালি তৈশিনবনি। শেন্দোংগীদমক, শেল পায়নবগীদমক এন্টি সোসল ওইবা থবক তৌবা হায়বা অসি খুন্নাই অসিবু লৈনুংদা পুশিনবনি। হৈনৌ পুবদা বোম পুবা, এঞ্জাং-নাপি মরক্তা নোংমৈ পুবা, তোঙান তোঙানবা পোৎলমদা নম্বর ফোর পুবা, সাপোন কেপতা মখল মখলগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক পুবা মখোয় বলিগী হামেং ওইহনবীরি। অসিগুম্বা কয়া অসিনা চরা নোংখন্নরিবা মীয়ামগী পুন্সি লম্বীদা পীরিবা চৈফু অদুদি ঐখোয় পূন্নমক্না নোংমা ফাওবা খন্থরুবা তৌদনা নীংঙাইদনা লৈথোক্লি। মী ওইনা পোকপদা নুপা-নুপী খুদিংমক য়ূম পান্দবা য়াদে। য়ূম পান্দ্রবদি খুন্নাই অসি মূৎখিগদৌরিবনি। লাইরিক লাইশু তমশিল্লুরে, জেনরেল অমসুং টেক্নিকেল অমদি প্রোফেসনেল ওইবা কয়াদা অদুবু লাইবক থীরিবদি ঙসি পীকখ্রবা ষ্টেট অসিগী মীশিং লাখ কুন্থ্রাগী মনুংদা লাখ মাপনলোমনা এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জদা থবক থিবগী মিং চন্দুনা লৈরি। মীপূম খুদিংমক লৈঙাক্কী থবক পীবা হায়বা অদুদি ওইথোক্লরোইদৌবা থবকনি। থবক ফংদে হায়দুনা খোঙ-খূৎ তিংথোক্লগা কপ্তুনা লৈবদি য়াদবনিনা চানবা, শেৎনবা, মীয়াম মরক্তা তিন্নবা শুবা-নোম্বা তৌদবা য়াদে। ময়ূম মকৈ পাল্লবা কয়ানা পীকপা চাওবা থিদনা থবক থিরম্লগা মমৈথংদা হিংনবা চেক শুবা, দুকান ফম্বা, লল্লোন ইতিক তৌবা অমদি তোঙান তোঙানবা শিনফম কয়া তৌদুনা ইমুং পুদবা য়াদে। ঙা শেমদুনা য়োনবা, য়েন শেমদুনা য়োনবা, ওটোরিক্সো থৌদুনা শেল তানবা, শেঞ্জাও পায়বা কনাগী দুকান ফম্বা য়াওবা, কেপিটেলিষ্ট কয়াগী মখাদা চে চাং শুদুনা হিংনবা হোৎনরিবা পূন্নমক হিংনবনি, ইমুং পুনবনি, মচা শেম্বনি। লৈঙাক্কী থবক ফংদ্রে হায়দুনা খোঙ তিংথোক্লগা য়া কাদুনা লৈবদি য়াদবনিনা হিংনবা মাগী মাগী অঙম্বা থাক্তা হোৎনবা তাবনি।

মণিপুর অচৌবা ইন্দষ্ট্রি অমা ফাওবা লৈতে, মীওই লিশীং অমা/অনী থবক পীবা ঙম্বা লৈতে। কনা কনাগুম্বা খরনা ইনাক কৈরাক খুনবা মীওইশিংগী মখাদা চে চাং শুবা অমদি মেন্যুএল ৱার্ক খরা খরা শুরিবা অসি মঙাই। প্রাইভেট স্কুল, কোলেজ কয়াসু লৈঙাক্কী লেবর লোয়শঙনা মাগী মাগী মহৈগী থাক অমসুং শীজিন্নরিবা নেচর ওফ ৱার্ক অদুগী মখা পোন্না খূৎশুমল লেপ্পসু লৈতে। হিংবা কোন্নদবা পৈশা খূৎপীদা কনানা কনাদা খূৎ থিংজিনবা য়াওদে। মেনেজমেন্ট অমসুং প্রোপ্রাইটরনা পীনীংবা পীগদৌবনি মদুগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলগা মফম অদু থাদোক্কদৌবনি, মসিনি ষ্টেট অসিগী চৎনবী। ঐখোয়গী মেনলেন্দ ইন্দিয়াদগী থাজিল্লকপা পোৎ খুদিংমক ষ্টেট লৈঙাক্লা মমলগী কন্ট্রোল তৌবগী চাং য়াম্না নেমই। শেঞ্জাও পায়বা লল্লোনবশিংনা নন ষ্টেট এক্টরশিংনা টেক্স লৌবগী মমিংদা পোৎ চৈ খুদিংমক মমল ৱাংনা ৱাংনা য়োনবনিনা লায়রবা শেম্থোক লম্বী ৱাৎপশিংদি হিংবা ৱাবা মশানা তাবনি। মসি পূন্নমক অসি য়েংলগা ইন্দো ম্যান্মার লম্বীদা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌরিবা আইননা য়াবা পোৎ চৈদা ঐখোয়গী লৈঙাক্লা অফবা অমসুং মিৎয়েং শানবা মওংদা মিৎয়েং থম্বগী তঙাইফদবদু লৈবরা হায়না খল্লি।

পান দুকান ফম্বা নুপা-নুপী অমনা ক্বা শুপারি কেজি মঙা ফাওবা পুহনবা, চুরুট ৱিন পেটি মঙা ফাওবা পুহনবা, গোদজিলা মঙা হানবা বোক্সা মঙা ফাওবা পুবগী অয়াবা পীবিবা ফবরা খঞ্জে। দুকান অচৌবা ফম্বা নত্তবা পান দুকানগুম্বা অমনা মোরেদা থা অমদা কয়ারক চৎকনি। লম্বী অসিদা পেরামিলিটরিগী মিৎয়েংসু মতম শাংনা থবক তৌরক্লবা ঙাক্তনি। মীগী মওং মতৌ, মিৎয়েং নায়েংদা অদুম্মক খঙবা য়াবা ঙাক্তনি। তৌফম থোকপা চেক তৌবীয়ু, মসি ঐখোয় পূন্নমক্কী য়াইফনবনি। আইনগী ৱাংমা লান্না থবক তৌবা, লৈবাক্কী লো এন্দ ওর্দরদা কায়রক্কদৌবা খুদিংমক ঙাকপা, শেনবগী তঙাইফদবনি। ইশম শম্না মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী পোথোক চাথোক্লা হেন্না হোঙনা অমসুং মরাং কায়না ফংলবদি করিগীসু মীরমগী পোৎ লৈগনি, য়োনগনি। খুদম ওইনা ইন্দিয়াগী পেট্রোল অমসুং দিজল মমল অদুম খেন্নৈ। ক্বা চাবা মীশিংগী ক্বা সুপারি ম্যান্মারনা হোঙই, মগুন লৈ। মসিদা নত্তনা উহৈ-ৱাহৈ মতম মতমগী সেম, বোরোই, হৈনৌ, মখল মখলগী চাবা য়াবা মহৈ-মরোং হোঙই, ঙাসু হোঙই, মোরোক, তিলহৌ চনমসু অসি মঙাই। মীনা পাম্বা পোৎ য়োনববু করবার কৌই, মীনা পামদ্রবদি লৈবীনবা লৈত্রবদি য়োনবসু শিৎলোই, লৈবসু লাক্লোই। ঐখোয়গী চীং অমসুং তমগী মীওই খরনা আইনগী ৱাংমদা মীয়ামগী পুন্সি মাঙনবা করবার তৌবা থিংবা, ফাবা-পুনবা পূন্নমক্না শৌগৎলি। অদুগা হিংনবা লুপা লিশীং মঙা/তরানা পান দুকানগী পোৎ চৈ অমসুং লৌবদা খরগী মখৈদি লৈঙাক্কী ফিরেপ থমহঞ্জনীংই। পূন্নমক ইন্দিয়ন লান্মীগী কন্ট্রোলদা চৎলগদি ইন্দো-ম্যান্মার লম্বীদা চৎলিবা ইম্ফাল মোরে নোংম-নোংমগী শিথরকপা তাবনি।

ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর ত্রেদসু কেপিটেলিষ্টশিংগী মখূৎতা তাখিবা তাবনি। চানবা-থক্লবা ওইরবসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মীৎয়েং মখাদা ঙাক্লবা চৎহল্লিবা ‘ফসাই’ গী লেভেল য়াওদবা য়োনবা য়াদবগুম অঙাংশিং অমসুং মীওইবনা চারিবা-থক্লিবা পোৎশিংদি তঙাইফদনা য়েংশিনবসু অদুমক মথৌ তাই। মসিদগী খরা থৈদোরক্লগা মহৈরোয় ওইরিঙৈদা মীথোই মীহেনবা ওইখিবা কয়ানা, প্রোফেসনেল ডাক্টর ওইরবা কয়ানা মোরে টাউন অসিদা অনা লায়েংশঙ মতিক চাবা ওইহনবসু মীরৈবাক মীরমদম অসিগা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনবসু নুংশি চান্নবদা নত্তনা শেল থুমগী নীংতম্বা অমসুং ইন্টরনেসনল টুরিজমগী মতেং মতেং ওইগনি। অফবা স্কুল, কোলেজ লীংদুনা মতিক চাবা তাকপী তম্বীবদা খূৎলোইরবা কয়া থমদুনা এদ্যুকেসনল টুরিজম ওইনবা হেল্থ-এদ্যুকেসন খুদিংমকসু য়াৎলিবা লম্বী অসিগী পোরম অমা ওইনা থম্বীরবদি টুরিজমগী হব অমা শোয়দনা মপূং ফাগনি।

ঐখোয় ঐখোয়না অফবা ৱাখল, অফবা লমচৎ-শাজৎ, মীনা মীবু মাঙদনবা করবার তৌবদা ঐগী শেন্দোংনা মীবু মাঙহনবা, ঐগী কান্নবনা মীবু হাৎপগী থবক তৌদনবা হোৎনবা অসিসু চৎলিবা মাগী মাগী লাইনীং লাইশোন অদুগী অফবা শরুক অমনি। নম্বর ফোর, গুলি, কানি কয়া পুথোক পুশিন তৌদুনা পোথোক পুথোক্লবা পোপি থাদুনা চীং কয়া কোকথোক্লিবা, উপাল হৌদ্রবা চীং, ঈশিং চেন্দ্রবা তুরেল, ঈশিং তুংদ্রবা পাৎ ওইরক্লিবা অসিগী খুজিল থৌরাং তৌরিবদুবু যিশুনা, আলানা, কৃষ্ণনা য়াগদ্রা মী মাঙনবা থবক তৌরগা শেল পায়বা মতমগী শক্তি লৈবা শাবা করিসু শেন্দোং নত্তে। ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর ত্রেদতা লায়রবা শেম্থোক লম্বী ৱাৎলবা হিংনবগী চরা অনীদং মপূং ফানা চানবা হোৎনরিবা কয়াগীসু য়েংদুনা কোমথোকপা য়াবনা কোমথোকপীয়ু, চেকশিনবা য়াবনা চেকশিনবীয়ু। লমদম অসিগী শুফম নোম্ফম খঙদ্রবা নহা কয়াগী হিংনবগী লম্বীদা ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর ত্রেদনা ফিদাদি থাবীয়ু। ●

## ষ্টেটকী পাউ

## খুঞ্জাশিংনা মায়োক্লবা খুদোংচাদবশিং খঙদোক্লবা...

*লামায় ১গী মখা...* ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগী ওফিসলশিংনসু খুঞ্জাশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরদসু খুঞ্জাশিংগীদমক মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎনবা হায়রগনি হায়বগী অচেৎপা ৱাফম ফোঙদোকখি।

দ্রগ এব্যুজ, পোপি পান্বী থাবা অমসুং দ্রগ ট্রাফিক্কিংগী মতাংদা পল্লদুনা গভর্ণরনা ফোঙদোকখিবদা হায়রিবশিং অসি হৌজিক মণিপুরগী অচৌবা ইস্যু অমা ওইরে। মরম অসিনা ইস্যু অসি লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা হোৎনরি। হৌখিবা থা খরদা দ্রগ শীজিন্নবা মীওইশিংগী মশীং মরু ওইনা নহা ওইরিবশিংগী মরক্তগী হেনগৎলকপা থেংনখি। অদুবু মসি পূন্নমক লাকশিন্নবা ৱাখল মান্নবা সী এস ওশিং অমসুং মীয়াম্না খূৎশম্নুনা থবক পায়খৎমিন্নগদবনি। ইস্যু অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংদসু খুঞ্জাশিংনা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

লোনা য়াদবা মওংদা মীতোপ চঙশিল্লকপা য়াওনা দ্রগ অমসুং খূৎশু খূৎলায় পুথোক পুশিন তৌবগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্লা হায়, য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিংদগী ঐখোয়গী লমদা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং চঙশিল্লকপদা অরৈবা পান্বে পূন্নমক পুথোক্তুনা থিংননবা হোৎনগদবনি। মীয়ামগী মতেং য়াওদনা থবক অসি লৈঙাক খক্তনা থিংবা ঙল্লোই হায়খি।

মীয়াম্না সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা মপূং ফানা মতেং পাংলবা মতমদা ক্রাইমশিং থোকহন্দবা ঙমগনি অমসুং ফজরবা ষ্টেট অসিগী ঈং-তপ্না লৈনীংবা মীয়াম্নুসু তংদু লৈতানা লৈহনবা ঙমগনি হায়খি।

কোভিদ ভেক্সিনেসনগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্লা হায়, হীদাক কাপথোকপনা পেন্দমিক অসিদগী ঙাকথোক্লবগী অহানবা পান্বৈনি। মরম অসিনা য়ামদ্রবদা খুঞ্জাশিংনা অথুবা মতমদা হীদাক অনীরক কাপথোকপীয়ু। লোয়ননা লৈবাক অসিদগী কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা ট্যুবরক্যুলোসিস ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা লৈবাক অসিনা চঙশিল্লক্লি হায়রদুনা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংনসু লায়না অসিনা নাহল্লবা মীওইশিং লৈৱ্রা হায়বদু থিদোক্তুনা লৌখৎফম থোকপা লৌখৎনবা পাউতাক পীখি। লোয়ননা লৈবাক অসিবু তরু-তনানবা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক স্বছ ভারত মিসনগী মরু ওইবশিংসু খুঞ্জাশিংদা ফোঙদোকখি। থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট অসি চাওখৎলক্লিবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরে হায়বা তাবদা মহাক্লা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী ইন্টরেক্সন প্রোগ্রামদা সিংহাটকী এম এল এ চিনলুন্থাং শরুক য়াখিবগা লোয়ননা টুরিজম অমসুং লল্লোন ইতিক্কী খোঙহাই চাবা মফম অমা ওইরবা ঙমখৈগা তাইননা লৈবা বেহিয়াংদা লাকপীবগীদমক গভর্ণরবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ইন্টরেক্সন অসিগী মাঙওইননা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পায়খৎলক্লিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী মতাংদা মরীক চুম্না পাউদমখি। লোয়ননা বেহিয়াংদা পব্লিক লাইব্রেরি অমা হাংদোকহনবীনবা য়ুনাইটেদ জৌ ওর্গনাইজেসননা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিল্লকখি।

গভর্ণরনা মফম অসিদা থুংলবদা এম এল এ চিনলুন্থাং য়াওনা চুড়াচান্দপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর সরথচন্দ্র অরোজু, দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি সিবানন্দ সুর্ভে অমসুং অতৈ ওফিসলশিংনা গভর্ণরবু তোঞ্জাং হেলিপেদতা তরাম্না ওকখি। গভর্ণরগী খোঙচৎ অসিদা মহাক্কী সেক্রেটরি বোবি ৱাইখোমসু লোয়নখি।

## এন এস সী এন-জি পি আর এনগী ৪৩শুবা ফাউন্দেসন দে...

*লামায় ১গী মখা...* ইকায়খুম্নবা উৎলি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ১৯৮০দা এন এস সী এন/জি পি আর এন শেম্লবা মতুংদগী অহোংবা কয়া লাকখ্রে হায়খি। নাগা মুভমেন্টবু মূথৎনবগীদমক ইন্দিয়ানা তোখাই তাবা থৌশিলশিং চথরকপনা নাগা মীয়ামগীদমক লেপকদবা মীওইশিং মখোয়গী খুবামনুংদা পন্থুং অমত্তা উহন্দনা তাখ্রে। হৌখিবা চহী কয়াদা পোলিটিকেলগী ওইবা খেন্নবশিংনা মরম ওইরদুনা ঐখোয়গী ইচিল ইনাওশিংগী মরক্তা অমগা অমগা হাৎতোক্লহনবগী থৌদোকশিং উদুনা লাক্লি হায়খি।

হৌজিক্তি অতোপ্পা অচৌবা অমসুং অপীকপা ফুরুপশিংনা নাগা মীয়ামগী ওইবা ৱাশক্তগী লাপথোক্লরক্লবসু এন এস সী এন/জি পি আর এন অসিদি অমত্তা ঙাইরবা নাগা নেসন অমগী হক্কীদমক নাগাগী নীংতম্বগীদমক হোৎনরিবা লূপ অমা ওইরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

নাগা মীয়ামদা চৎনহল্লক্লিবা ঙমখৈগী পরিংদগী ঐখোয়গী মীয়াম্বু অচুম্বা ফংহন্নবা লালহৌলূপ অসিনা লেপ্তুনা হোৎনখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। নাগাগী মীরোল কয়ানা লৈবাক অসিগী মীনুংশি য়াওদনা চথুবা মীওৎ মীনৈ, চুমদবা অমসুং কাঙলূপ ফুরুপকী ওইবা থৌওংশিং মায়োক্লদুনা লাকপগা লোয়ননা নাগা মীয়ামগী পুন্সি কয়া কৎখ্রবনি হায়রি।

অসিগুম্বা মীওৎ মীনৈ অসি মালেমগী মীয়ামদা লোৎশিন্দুনা থল্লক্লি হায়রদুনা নাগাশিংবু মশাগী লমদা টেররিষ্টনি হায়দুনা লাউথোক্লি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

নাগা মীয়ামগী খোঙজং মতম শাংনা চঙশিল্লক্লি অমসুং ঐখোয়গী মীয়াম্না মতম শাংনা অৱা চৈথেং মায়োক্লরকপগা লোয়ননা পুন্সি কয়াসু কৎখ্রবনিনা হৌজিক্তি মপূং ফাবা সোভরেন্টি অমা ফংবা নত্তনা অতোপ্পা পন্থুং অমা লৈত্রে। পুৱারীশিংনা নীংতম্বা ফংবদা ‘সোর্ট কট’ লৈতে হায়বা পাড়াসু তাকপীরিবনা নাগা মীয়াম্নসু মসিবু ফংনবা হোৎনবদা খুদোংথীবশিং মায়োক্লবা তাবনি হায়খি।

নাগা মীয়ামদা মীওৎ মীনৈ চথুবা খক্তা নত্তনা ৱেসিয়া রিজনদা লৈরিবশিংদসু থৌওং অসি চথরিবা ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিবু খ্বাইদগী চাওবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি হায়না উৎননবা হোৎনরি। এন এস সী এন/জি পি আর এননা নাগা মীয়ামগীদমক মোরেল অমসুং পোলিটিকেলগী ওইবা পন্থুং ফংনবগীদমক লৈজবা পান্বে পূন্নমক পুথোক্তুনা হোৎনখিগনি হায়রি। চৎকদৌরিবা লম্বী অসি খুদোংথীবা লম্বীনি হায়বা ঐখোয়না খঙই। অদুম ওইনমক অরোইবা পন্থুং অমদি শোয়দনা লাক্কনি হায়বগী থাজরি হায়খি।

ঐখোয়গী নীংতম্ববু শুদৎ-নেৎথৎলকপা নৎত্রগা থেংথহল্লকপা য়াই অদুবু মসি পূন্নমক লাম্থোক্লবা মতুংদা মায় পাক্কনি হায়খি। হৌখিবা মতমদা লৈবাক অসিগী অমোৎপা পোলিটিক্সনা মায় পাক্লম্বদি য়াই। অদুম ওইনমক হৌজিক লৈরিবা অমসুং তুংগী ওইনদি নাগাশিংনা ঐখোয়গী তুংদা লাইবক লেপচবগী থবক য়েক্লবশিংদা শিন্নররোই হায়খি।

ঙসিদি নাগা পোলিটিকেল গ্রুপ হায়না খঙনরিবা গ্রুপ অসিনা নাগা মীয়ামগী নীংতম্ববু লৈবাক অসিগী ফিবান্নুংদা অপীকপা সোল্যুসন খরগা মহুৎ শিন্নবা হোৎনরি হায়রদুনা নাগা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্ববু ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং প্রো-টোক গ্রুপশিংনা খুদুম চনশিন্দুনা থল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি। মখোয়না নাগাশিংগী মরক্তা চমম্নবা থোকহনবগা লোয়ননা লোইশিনবা নাইদ্রবা পোলিটিকেল দ্রামা অসিনা থাজনীংঙাই ওইদবা ফীভম অমদা লাকপগা লোয়ননা মতম মাঙহন্দুনা পোলোইদা অফবা ওইহন্দনা লোইশিন্নবা হোৎনরি হায়খি। মপূং ফানা নীংতম্বা ফংদ্রিবমখৈ মালেমসিদা সোল্যুসন লৈরোই হায়বগা লোয়ননা নাগা মীয়ামগী নীংতম্বগী মঙলানগা কমপ্রোমাইজ তৌরিবা সোল্যুসন খুদিংমক এন এস সী এন/জি পি আর এননা অকনবা মওংদা রিজেক্ট তৌগনি হায়খি।

হৌজিক্তি নাগা ইন্টলেকচ্যুএল, নাগা ট্রাইবেল কাউন্সিল, সিভিল সোসাইটি অমসুং মহৈরোয়শিংগী লূপশিংনা অরানবশিংদগী অচুম্বশিং চেকশিন্না য়েংশিনবগী মথৌ তারে। মপূং ফানা শন্তাইনবা পুরকপদা নৎত্রগা নীংতম্বগী মঙলান মঙফাওনহনবা হায়বা অনীসিগী মরক্তা অমা খনবগী মতম ওইরে। নাগা মীয়ামগী নাইতোম লৈরিবা পুৱারী, কলচর অমসুং আইদেন্টিটিবু লোইশিন্নবগীদমক লৈবাক অসিগী হিন্দুটভা আইদিওলোজি অমসুং অরানবা গ্লোবেলাইজেসন পোলিটিক্সতা ঐখোয়না শুকয়া য়ারোইদবনি। পুৱারীনা ঐখোয়বু নেসন অমনি হায়না নীংশিংহনবগা লোয়ননা ঐখোয়গী নীংতম্বগী লমজেল চেনবা হৌরকখিবনি হায়খি। মরম পূন্নমকশিং অসিনা অমম্বা পূন্নমক্তগী ঐখোয়বু অঙানবা অমসুং নীংতম্বগীদমক লমজিংবীরিবা শেম্বীবা মপুগী মখাদা নাগা পূন্নমক অমত্তা ওইমিন্নরসি হায়না চ্যেরমেন/প্রসিদেন্টনা আপীল তৌখি।

## মণিপুর খাদি এন্দ...

*লামায় ১গী মখা...* মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা কাউন্সেল এস লোকেন্দ্রোনা লেপখি। অদুগা গভর্ণমেন্ট এদভোকেটকী মায়কৈদগী ওফিসল রেসপোন্দেন্টশিংগী মহুৎ শিন্দুনা কাউন্টর এফিদেভিট ফাইল তৌরে হায়বা ৱাফম কোর্টতা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ২ ওইরিবা বোর্দ অসিগী সী ঈ ওগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল মুরটাজা অহম্মদনা কাউন্টর এফিদেভিট ফাইল তৌনবগী মতম চয়োল ২ পীবিনবা হায়জরকপদা কোর্টনা অয়াবা পীখি। লোয়ননা সেপ্টেম্বর ২৮, ২০২২দা পীখিবা ষ্টে ওর্দর অদু মখা তানা শাংথখিগনি হায়না কোর্টনা খঙহনখি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।